**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 23-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মচে-মচলশিং অমদি মবুং মৌপৱাশিংগী নুংশিনবগী অচেৎপা মরী উৎপা হিয়াঙ্গৈগী নিনি পানবা নিংঙোল চাক্কৌবা ঙসি পাঙথোক্লি।

২) মণিপুরদা নমদুনা শেল খায়বা অমসুং আইনগী ৱাংমদা থবক তৌবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎলি।

অমসুং

৩) পাউমীশিংদা খুৎ থায় হায়বগী অকুপ্পা মরোল পীখৎলকবা নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না মণিপুর, কেরলা অমসুং ত্রিপুরাগী চীফ সেক্রেতরিশিংদা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রে।

------

চাক্কৌবা (এল) ঃ মচে-মচলশিং অমদি মবুং মৌপৱাশিংগী নুংশিনবগী অচেৎপা মরী উৎপা হিয়াঙ্গৈগী নিনি পানবা নিংঙোল চাক্কৌবা ঙসি পাঙথোক্লি। কুম্মৈ অসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জাতিশিংগী মরক্তসু পাঙথোকরি। মণিপুরগী মপানদা খুন্দারিবা মীতৈ ফুরুপকী মীওই কয়ানসু নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোক্লি।

যুমাক শাগে ওনখ্রবী নিংঙোল ওইবীশিংনা মপাম লমদমদা চত্তুনা মমা-মপা মবুং-মৌপৱাশিংগা নুংশি চান্ননা চামি থকমিন্নবা অমদি ঙমজবা খুদোলপোৎ তম্বনা কুম্মৈ অসিগী মপুং ওইবা শক্তমনি। কুম্মৈ অসিগী মাংওইনা ইম্ফালগী

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা তম্পাক্কী কৈথেলশিংদা পোৎ লৈবা লাকবা মীয়ামা চিক-চাইনবা ঙমদনা তিনখি। মরুওইনা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মীওই চা কয়া পোৎ চৈ লৈবা লাকখি। মী কা হেন্না চিনবনা ত্রাফিক পুলিস য়াওনা মণিপুর পুলিসকী পার্সোনেলশিংনা  চেকশিন্না ঙাকশেনখি। ঙসিসু অয়ুক অঙনবদগী হৌনা নিংঙোল চাক্কৌবগী পোৎ চৈ লৈবা লাকরি।

কুম্হৈ অসিগী মাংওইনা রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগনা শিন্দুনা ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদা ঙাগী মেলা অমা ঙরাং পাঙথোকখি। মেলা অদুদা মণিপুরগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা ঙা মখলশিং- পেংবা, খাবক, ঙাতোন, মীতৈ শরেং অমদি অতৈ ঙা মখল কয়া পুথোক্তুনা য়োনখি। পুন্না ঙা কিলোগ্রাম লাখ ১ মখায়রোম মেলা অদুদা পুথোকখি।

নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্হৈ না লাকদা রাজ্যপাল য়াওনা রাজ্য অসিগী লুচিংবশিং অমসুং লনাই লুপ কয়ানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- মণিপুরগী নিংঙোল ওইবীশিংনা কুম্হৈ অসিগী ফজবা লৈতেং ওইরি। মবুং-মৌপৱাশিং নিংঙোল ওইবীশিংগা নুংশিনবগী অচেৎপা মরী অমদি অমত্তা ওইবগী শক্তম উৎলিবা কুম্হৈ অসিনা মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা চৎনবী, নাৎ অমসুং নুংশি চান্নবগী মতৌ অদু উবা ফংলি। কুম্হৈ অসিনা লাকপদা অনা অয়েক য়াওদবা অমদি লমদম অসিগী ইমুং নুংঙাই য়াইফবা ওইরসনু হায়না পাউজেল পীরক্লি।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা সিংহ, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, এম.এল.এ- থোঙাম বিশ্বজিৎ, এম.এল.এ- য়ুমাম খেমচান্দ, কেন্দ্রগী হান্নগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন সিংহ য়াওনা তোঙান তোঙানবা এম.এল.এশিংনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা মরুওইনা নিংঙোল ওইবীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

অমদি রাজনীতিল দল, মহৈরোই লুপ অমদি সি.এস.ওশিংনা নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা  মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

শিব সেনা মণিপুর প্রদেশ, সামাতি মণিপুর ষ্টেট কমিতি, মণিপুর পিপলস দেমোক্রেতিক ফ্রন্ট, য়ুনাইটেদ কমিতি মনিপুর (য়ু.সি.এম), ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন

ওফ কংলৈপাক (সুক) য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনসু রাজ্য অসিগী নিংঙোলশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা নিংঙোল ওইৰীশিংনা মপাম লমদমদা নিংঙোল চাক্কৌবা চৎনবা হৌরে।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুরদা নমদুনা শেল খায়বা অমসুং আইনগী ৱাংমদা থবক তৌবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎলি।

মণিপুর পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- অসিগুম্বা মীওইশিং ফানবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথবদা চান্দেল জিলাগী চকপিকারোং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা শলুক্তগী মীওই অনি ফারে। মখোয় অদু চুরাচান্দপুরদগী লাক্লগা ম্যান্মার ঙমখৈ পরিং ফাওদোক্লগা তামুদা চৎনবা হোৎনরম্বা মীওইশিংনি হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা খোমিদোক ময়াই লৈকাইদগী মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মঙোন্দগী কব সিরপ বোট্টল ৯১ ফাগৎলে। শেল ওইনা লুপা লিশিং ১২,৭৮০ অমদি মোইবাইল ফোন অমা ফংলে।

মণিপুর পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লগাউ খাউবা থিংনবা অকনবা দ্রাইভ চথরি। দ্রাইভ অদুদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লগাউ খাউবদা শিজিন্নবা পোৎলমশিং ফাগৎলে।

নিয়ামগী ৱাংমদা গাড়ি থৌবা মীওইশিং ফাগৎতুনা চলান ককপগী থবক লেপ্তুনা চথরি। ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নিয়মগী ৱাংমদা গাড়ি থৌরকপশিংদা চলান ১৭ ককহন্দুনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩৯ খোমগৎলে।

নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎ চৈ থন্না য়াওরবা গাড়ি ২৭৪ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুরকখ্রে। লম্বী অসিদা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা থবক লৌখৎলি।

জিরিবাম (এল)ঃ   দিৱালি কুম্মৈ মনুংদা জিরিবামদা নোংমৈ কাপবগী থৌদোকশিং থোকখি হায়না সোসিয়েল মিদিয়াদা ভিদিওনচিংবা কয়া শন্দারক্লিবা অদু অরানবা যুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি হায়না মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা শেংদোরক্লি।

দিৱালি কুম্মৈ মনুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অমত্তা জিরিবাম জিলাদা থোকখিবা লৈতে হায়রি। জিরিবাম জিলাগী মনুংদা বম্বুলা থাবনচিংবা তৌদনবা পুলিসনা হান্ননা খঙহনখ্রবনি অমদি অসিগুম্বা বম্বুলা থাবগী থবকশিং তৌব্রা হায়বদু পুলিসনা শেন্নদুনা লাকপনি। সোসিয়েল মিদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দাকপীদনবা পুলিসনা আপীল তৌরি।

পোপ্পি (এল)ঃ   সেনাপতি পুলিসনা ঙরাং জিলা অদুগী লিজাই অমসুং অকোইবা মফমশিংদা দ্রোন শিজিন্নদুনা পোপ্পি পাম্বীশিং থাব্রা হায়না য়েংশিনবদা লম হেক্তর ৫ দা পোপ্পি পাম্বীশিং হৌরম্বা থেংনরে। মফম অদুগী অনকপদা যুম ৬ সু লৈরম্বা থেংনখি। অদুমওইনমক, যুমশিং অদুদা মীওই অমত্তা লৈরমদে হায়রি। লিজাই ভিলেজগী খুঞ্জাশিংদা পোপ্পি পাম্বী থারম্বশিং মশক খঙদোক্লগা পুলিসতা পাউ পীরকবা অমদি পাম্বীশিং অদু অথুবা মতমদা য়াম্থৎনবা খঙহনখি। সেনাপতি পুলিসনা অসিগুম্বা আইন কায়বা থবকশিং চত্থদনবা অকনবা থবক লৌখৎলে হায়রি।

হ্যুমেন রাইটস ঃ  পাউমীশিংদা খুৎ থায় হায়বগী অকুপ্পা মরোল চয়োল অনিগী মনুংদা পীখৎলকবা নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না মণিপুর, কেরলা অমসুং ত্রিপুরাগী চীফ সেক্রেতরিশিংদা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রে।

হায়রিবা রাজ্য অহুম অসিদা পাউমীশিংদা খুৎ থাবদগী পাউমীশিং অদু হোস্পিতালদা লায়েং চত্থখিবনি। পুলিসনা কেসশিং লৌখৎতুনা থিজিন হুমজিনবগী থবক চত্থরিবনি। পাউমীশিংনা থারকপা সু মোতু কেস অমগা মরী লৈননা রাজ্যশিং অসিগা দি.জি.পিশিংদা কেসশিং অদুগা মরী লৈননা থিজিন হুমজিনবগী থবক চত্থরিবা অদু কয়া য়ামা খুমাং চাওশিল্লবগে হায়বদুসু খঙহল্লক

বা খঙহনখ্রে। অসিগুম্বা থৌদোক অসি তুংদা অমুক থোকহন্দনবা অকনবা থবক লৌখৎনবা কম্মিসন অসিনা মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

টি.ঐচ. মুইভানা মণিপুরগী উখ্রুলদা থুংলবদা মীয়ামা তরামা ওকখিবা, নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা ঙাগী মেলা পাঙথোকখিবা অমসুং মণিপুর রাজবারি অমুক হন্না শেমগৎহন্নবগী মতাংদা এক্সপার্টশিং শরুক য়াদুনা মীফম পাঙথোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

মশাগী চহি ৯৩ শুরবা এন.এস.সি.এন-জি.পি.আর.এনগী অতো কিলোন্সর থুইঙালেং মুইভা পোকফম লমদমদা য়ৌরকখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী বেন্নর হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

পাউ অসি সনালৈবাক, শঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস, তমেংলোং টাইমস অমসুং গানফিউ মেলদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ঈচাউ মায়োকখ্রবসু ঙা মেলা মায় পাঙথোকখ্রে। কন্না হোৎনবদগী য়েলহৌ ঙাশিং মীয়ামদা মরাং কায়না ফংহল্লে হায়বা ফিসরি দিরেক্তর ব্রাফম সনালৈবাক পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ঙাগী মেলাদা ঙা কে.জি. লাখ ১ মখায় য়োন্নবা পুথোকখ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর রাজবারি ঙাক শেন্নবা কন্সলটেতিভ মীতিং পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর গভর্নমেন্ট সার্ভিসেস ফেদরেসন্না খোঙজং পরেং চংশিল্লগনি হায়না চীফ সেক্রেতরিদা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা লমায়দা বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি।

মণিপুর য়াওনা ষ্টেট অহুমদা পাউমীশিংদা এটেক তৌখিবগী মতাংদা অকুপ্পা মরোল পীরকবা এন.ঐচ.আর.সিনা খঙহল্লকখ্রে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ৱাটর সপ্লাই স্কিম মাং তাকহনখিবগী য়ুম থুগাইখ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

খুদোলপোৎ হিদান্নবা তোক্তুনা চাক্তৌবগী থৌরম পাঙথোকশি হায়না লুপ কয়ানা পাউজেল পীনরক্লি হায়বা পাউ অমা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং জিলাদা অমুর ফালকন থুংলবা হৌবগা লোয়ননা পচিং য়ুথ ক্লব তমেংলোংনা খুলগী অকোইবদা এয়ারগন শিজিন্ন থিংখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------